ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, এপ্রিল ০১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০০৬শুবা মশীং

# অয়ুরবেদা দোক্টরশিংদা সর্জরি তৌহনবা

## তরেৎ-তরা থোক্না খন্নহৌবগী তঙাইফদবা মতম লাক্লে

অয়ুরবেদগী পোষ্ট গ্রেজুএট লোইরবা দোক্টরশিংবু অকক্নবা হীরম খরদা সর্জরি তৌহন্নবগী মতাংদা গেজেট নোটিফিকেসন অমা থোকখিবগী থৌওংবু মায়কৈ খরদগী অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি। আয়ুশ মিনিষ্ট্রিগী মখাদা ইন্দিয়ন সিষ্টমস ওফ মেদিসিন রেগ্যুলেট তৌনবা ষ্টেট্যুটরি বোদি অমা ওইনা লৈরিবা সেন্ট্রেল কাওন্সিল ওফ ইন্দিয়া মেদিসিন (সী সী আই এম) না নবেম্বর ২০দা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসনননা হায়খি, ইন্দিয়ন মেদিসিন সেন্ট্রেল কাওন্সিল (পোষ্ট গ্রেজ য়েট অয়ুরবেদা এদ্যুকেসন) রেগ্যুলেসন্স ২০১৬ এমেন্দ তৌরগা অয়ুরবেদগী দোক্টরশিংবু জেনরেল সর্জরি প্রোসিজর ৩৯, লোয়নন মীৎ, নাকোং, নাতোন অমদি খনাওগা মরী লৈনবা ওপরেসন মখল ১৯ পাঙথোকপা য়াহল্লগনি। থৌরাং অসি মোদর্ন মেদিসিনগী দোক্টরশিংনা শেন্বা খ্বাইদগী চাউবা লূপ অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ) না অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। আই এম এনা হায়খি, মোদর্ন মেদিসিন সিষ্টমগী লায়েং পথাপ্তা কাঙলোন কায়না খূৎ থিংজিনবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লায়েং মখলশিং পূনশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। হীরম অসিগী মতাংদা শেংদোক-ৱারোল পীরদুনা অয়ুশ মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি বাইদ্যা রাজেশ কোটেচানা হায়খি, অয়ুরবেদগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট দোক্টর পূন্নমক ওপরেসন তৌহনগদবা নত্তে। অয়ুরবেদগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট এদ্যুকেসন সিষ্টমদা অহোংবা খরা লৈহন্দুনা শেমদোক-শাদোক্কবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়রি। সী সী আই এমগী বোর্দ ওফ গভর্ণরসকী চ্যেরমেন বাইদ্যা জয়ন্ত দেবছজারিনা হায়খি, অয়ুরবেদা ইন্সটিট্যুটশিংদা মখল খরগী সর্জরি তৌরকপা চহী ২০ হেঞ্জিল্লক্লে। থৌওং অসি লোনা য়াবা মওংদা চথহন্নবা ইনৌ-নৌনা নোটিফিকেসন থোকখিবনি। রেগ্যুলেসন্দা য়াওবা অখন্নবা সর্জরি মখল খরদমক অয়ুরবেদগী দোক্টরশিংদা পাঙথোকপা য়াহন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা শেংদোক ৱারোল পীরদুনা অয়ুশ মিনিষ্ট্রিনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়খি, অয়ুরবেদগা কনভেনসনেল মোদর্ন মেদিসিনগা পূনশিন্নবগী ৱাফম লৈতে। কুমজা ২০১৬কী রেগ্যুলেসন্দা য়াওবা প্রোভিজনশিং অমুক হন্না লাউথোক্তুনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনরি। আয়ুশ মিনিষ্ট্রিনা ইন্দিয়ন মেদিসিন সেন্ট্রেল কাওন্সিল (পোষ্ট গ্রেজুয়েট অয়ুরবেদা এদ্যুকেসন) রেগ্যুলেসন্স ২০১৬ এমেন্দ তৌরগা মীৎ, নাকোং, নাতোন অমসুং খনাওগা মরী লৈনবা মাইনর সর্জরি ১৯ অমসুং অতোপ্পা মখলগী ওপরেসন ৩৯ অয়ুরবেদগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট দোক্টরশিংদা তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি।

ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ) নদি থৌওং অসি মোদর্ন মেদিসিন সিষ্টমদা খূৎ থিংজিন্নবা হোৎনবনি হায়না মরাল শীরি। আই এম এনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়খি, সেন্ট্রেল কাওন্সিল ওফ ইন্দিয়ন মেদিসিন (সী সী আই এম) না মোদর্ন মেদিসিন্দা খূৎ থিংজিনবগী মহুত্তা মশাগী ওইজবা সর্জিকেল প্রোসিজর শেমগৎচগদবনি। মতৌ অসুম্না আয়ুশকী দোক্টরশিংদা সর্জরি মখল খরা তৌহনবগী মতাংদা য়েৎনবা কয়া থোরকখি। হীরম অসিগী মতাংদা 'লোকল সর্কলস' কৌবা লূপ অমনা চথুখিবা সর্ভেগী রিপোর্টতা মীওই চাদা ৪৭না অয়ুশকী দোক্টরশিংদা সর্জরি মখল খরা তৌহনবগী ৱাফম য়ানীংই হায়বা খঙবা ঙমখি। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ১১,২৬১গী মোৎ লৌবদা মীওই চাদা ৪৭না হায়খি, রুরেল এরিয়া অমসুং কা হেন্না মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা এলোপেথিক দোক্টর মশীং ৱাৎপা মরম্না আয়ুশকী দোক্টরশিংদা সর্জরি মখল খরা তৌহনবদা অকায়বা লৈতে। অপিকপা টাওন অমসুং রুরেল এরিয়াদা লৈরিবা হোস্পিটাল অয়াম্বদা আয়ুশকী দোক্টরশিংনা জেনরেল ৱার্দ অমদি ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) শিংদা মথৌ তৌরিবা মরম্না সর্জরি মখল খরা তৌহনবদা অকায়বা লৈতে হায়বা মোৎসু পীনরকখি। মোৎ পীনরকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই চাদা ২৭না হায়, "জেনরেল সর্জরি নৎত্রগা ঈ এন টি সর্জরি তৌগদবা দোক্টরশিংনা মশাগী অশেংবা ক্বালিফিকেসন অদু পেসেন্ট পার্টিদা মাঙজৌননা খঙহনগদবনি। পেসেন্ট পার্টিনা অয়াবা পীরবদি আয়ুশকী দোক্টরনা সর্জরি মখল খরা তৌবদা কায়দে হায়রি। অমরোমদা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন অমদি মোদর্ন মেদিসিনগা আয়ুশকী লায়েংগা পূনশিনবা য়ারোই হায়না অকনবা ৱাফম থল্লক্লি। লৈঙাক্লা নাকল অনীমক্কী ৱাফম কূপ্না নৈনরগা অচুম্বা ফিরেপ লৌফম থোকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫

১) "চীংয়া তময়া" (অহানবা ফোঙবা, ১৯৫৫) হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) "মেঘনাদবদ-কাব্য (সম্পূর্ণ)" হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকখি?

৩) "খম্বা থোইবী পুন্সি ৱারী অনীশুবা শরুক" হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) নিংথৌ "থাংয়ি তাওবুং খোংদৌবদগীনা য়োইকামু অতোনবা ফাওবগী মরমদা ইবা লাইরিক" অদু করি লাইরিকনো?

৫) "ঐদি আত্মাগী কন্সেপ্টতা থাজবা ঙমদ্রি; ঈশ্বরবু থাজবা ঙমদ্রি। ঐগী মাঙদা থোঙ অহুম লৈরে - আত্মা, ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতি। থোঙ অনীদি হৌজিকসু লোল্লি অমদি হাংলে - অদুবু থোঙজিন কানশিল্লগা মনুং য়ৌশিনবদি ঙমদ্রি হাংলিবা থোঙ অসিসু।" কবি কনাগী ৱাহৈনো অমসুং কদাইদা য়াওখিবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি
১) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৩)
২) এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৪)
৩) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,৩,৪)
***৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৪,৫)***
৫) লাইশ্রম এলেনা, টোপ খোংনাংমখোঙ - (১,৩,৪)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৪গী ৱিন্নর

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

লিটরেরি ক্যুইজ১৪গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম এপ্রিল ৪, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪গী পাউখুম

১) "ত্রিপুরাগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
***:- রাজকুমার কমলজিৎ সিংহ।***

২) শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিনা লেংবা "শ্রীশ্রী চৈতন্যচরিতামৃত" হায়বা লাইরিক অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক অসি কনানা মণিপুরদা হন্দোকপগে?
***:- শ্রী তোংব্রম গৌরমনি সিংহ।***

৩) "শৈরেং ৱারেং শিংজু" হায়বসিগী অইবা কনানো? ***:- জি সী তোংব্রা।***

৪) "সাহিত্যগী ঈচেলদা মণিপুরী মুসলিম" হায়বসি কনানা খোমজিল্লগা কনানা ফোঙবনো?
***:- খোমজিনবা : এম এম অহমদ অমসুং এস এম শৈখ।***

৫) "থোঙাক অশিথেন্নে, অশিবনা পোথাফমনে তাইবঙপানববু হন্না য়েংদনা মমা মপা মতু মৱা, মচা অসি খৈবিকপু ঙম্না উইয়ে হায়বগীবু অশিবা খৈবিকনা মফম অদুদা কপনা লাউনা তৌএ অদুবু খমনুং শিতনুপীনা খমনুং অশিহৈবু হৈরাঙ খূত্তা পীদনা চাহল্লে। হৈরাঙ চারবগা মমা মপা, মতু মচা মৱা ঙম্না কাউএ। অদুগীদমকপু থোংঙাক অশিথেন মকোই নুংওনচীং তৌনা কৌএ।" কদাইদগী লৌথোরকপনো?
***:- চীঙ্গোইরোল লাইরিক্তা য়াওবা চীংলোন লাইহুই হায়বদুদগীনি।***

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২২

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

ঐনা লীলাসি সুম তৌরকপদা, ঐখোয় ইশানবুদি, ঐখোয়গী লীলাসি মীনা য়াম্না কৌরে, য়াম্না পাম্নরে হায়না ফোঙদোক্তবা নাপল অমা কাজরম্বদুগী মমু অমা য়ৈথৎখিবগী ৱারী মতেক অমতং থমহৌদ্রদি য়াম্না ফজররোই। নীংশিংবা খরা লিজগে। দাইলোগ লীলা করিনো হায়বদু মমাঙদা ঐনা থমজখ্রে। ঐখোয়গীসিনা ঈশৈ লীলা হায়রে। দাইলোগ লীলাদুসু ঐ অদুম য়াওরকই। মতেক মতেক, মীগী মহুৎ শিনববু ওইরো অদুম থোক্লকই। চপ মান্নে। খেন্নবা হায়বু, ঐখোয়গীসিনা ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট য়াওবা অদুগী ৱানি। চপ মান্নপোৎনি। অদুবু মতমগী অহোংবা মতুংইন্না ঈশৈ লীলাসিনদি মীনা সুম পাম্বা হেনগৎলকপা, দাইলোগ লীলা হায়না লৈরম্বশিং অদুনা লীলাগী চেবাউসি ইরাক লাক্তবা মতমসিদা, ঐখোয়সি য়াম্না ফাওরে গাইনা খঞ্জবা অমা য়াওই। মসি চিন্দদি কাঙনদে। ঐখোয়না লীলাগা চৎলগা, অহলশিং দাইলোগকী লীলা পার্টিদুনগা চত্তনা তূমিন-তূমিন লৈহৌবগদু উবদা ইশাদা পোংজবা মানবা খরা অদুম উবা ফংই। মসি ঐগী, ঐহাক্কী ৱা নত্তেকো। লোইনমক্কী ৱানি।

সিগুম্বা মতমসিদনি, মণিপুরগী শুমাং লীলাবু নুংশিজবা, স্কোলর অহল লমনশিং খরনা ঈশৈ লীলাগী মরমদা ৱা ঙাঙবা হৌরক্লিবসি। ঐখোয়না তৌরিবসি মণিপুরগী শুমাং লীলাবু হাৎপনি। শুমাং লীলাগী ফজবা পূন্নমক লোইনা মাঙহল্লে। নহাশিং অসিনা তৌরিবা অসিদি মীয়াম্না য়াম্না ফজবা আর্ট ফোর্ম অমনি হায়না লৌনরিবা শুমাং লীলা অদুগী মচেৎ অমফাওবা য়ৌদ্রে। শুমাং লীলাবু হিন্দি ফিল্ম ওন্থোক্লে হায়বসি হেক্তা কন্না হায়নরকপা মতম অমা লৈখি। ইচিন থীদনা অহানবদদি য়াম্না খুমল্লম্মী। ওনশিন-ওনশিন্নদুনা চিন্দা পাউদা য়াম্না ঙাঙনরম্মী। মসিদা নত্তে সিদগী হেনবা য়াম্না হায়নবীখ্রজাৎনি। মদু মতম খরগী মতুংদদি ঐদগী হেন্না পঙবা লৈরমদ্রে হায়না খনখি। মীনা হায়নরিবদু অশেংবনি হায়বসি তপ্না তপ্না খঙলকপনি। মদুগী ৱাহৈদু হেক নীংশিংবদা, হিরো শারিবনিগাইনা ঐনা থোক্লগা, ঈশৈ শকপগী মতাংসি য়ৌরকপদা য়াম্না ইকায়বা ফাওরকপা হৌরে। ঈশৈসু দ্যুএট শোং হায়বদি অনী পূন্না শকমিন্নবা, হিরোইনদুগা লৈ লৈদুনা খূৎকসি পায়নরগা, উরু-রুগা উংদনা তৌবদু শাথীনা ইকায়বা ফাওরকই। ঈশৈবুদি মীনা য়াম্না পাম্মী, ঈশৈদুদা তাগদগী লীলা য়েংবা কয়া অমসু য়াওরিবনি। অদুবু এক্টিং তৌদৌরিবা ঐদি তনবা অমা য়াওরকখি। শুমাং লীলাসি হিন্দি ফিল্মগা চপ মান্নরে হায়না হায়বদু হেক নীংশিংবদা তৌনীংবা পূন্নমক লোইনা মাঙবজাৎনি।

হোয় অদুমক্লা ঈশৈদু শক্তে হায়বগী ৱাবুদি নত্তে। খরা খরা লৈরক্লগদি দাইলোগ লীলাসি ফাগি ফাগিদগী পুংমুৎ মুৎখ্রে। মখোয় লীলা তৌবা ঙমদ্রে। লীলা তৌরিবনি হায়না লৈরবসু, মখোয়না রেন্টতা লৈরিবা ওফিস অদুগী রেন্ট ফাওবা পীবা ঙল্লক্তবগী মতম অদুদদি লীলা তোক্লখ্রে। দাইলোগ লীলাদা য়াওরম্বা আর্টিষ্ট অয়াম্বা ঈশৈ লীলা হায়বসিদা লোইনমক ওনশিন্নদুনা হিংবগী লম্বী থিনরকখি। মদুগী মনুংদা মীওই অমা অনীখক্তনি, ঈশৈ লীলাদা য়াওসি হায়বা য়াখিদবা। অয়াম্বনদি লোইনা য়াওখি।

হায়বসু হায়বনি, অহানবা ঐখোয়না লীলা তৌবা হৌরকপদদি ঈশৈসি য়াম্না য়াম্না শক্লখ্রবজ াৎনি। মখল মথেলগী ঈশৈসি য়াওই। অখৎপা, অঙ্গৈংবা, অতপ্পা, নুংশি নুংওনগী, কায়নবগী, চাক্লবগী, অৱাবগী মথেল কয়াগী ঈশৈনি। মদুগীসু মথক্তা হিন্দি ঈশৈ মতেক-মতেক্কা হাপ্তুনা ময়াম্না পাম্নবনি হায়না মওং-মওং য়াম্না তৌনরম্মী। চাওরাক্লা লীলা অমদা ঈশৈ তরাগী মথক ঙাক্তনি। ইহান হানবা হৌরকপদদি লীলা অমদা ঈশৈ ২০গা য়াওরম্মীবনি, মতেক-মতেক ওইনা। অদুনা মদুগী সিক্বেন্সশিং অদু পরেং লেংনবা হোৎনবদা লীলাগী সিরিয়সনেস অদুদি মশানা মাঙবা তাবনি। অদুনা অরুবা মখলগী লীলা কয়া উত্তে। লীলাগী ক্বালিটিসু অয়াম্বা কম্প্রোমাইস তৌরগা উৎলম্মী। অয়াম্বনা ফাগি ফরাংদা য়ূম্ফম ওইখি। হোয় শুমাং লীলা হায়বসিবুদি ফাগি য়াওদ্রবদি মথ্বায় পান্দে হায়নরিবনি। ফাগিদুগী ৱা ঙাক নত্তে। লীলাশিং অদু য়াম্না সেরিয়স ইওই ওইদবগী মতৌ অমদি লৈরম্মী। ফীভম অসি অসুম চত্থরবদি য়াররোই, লীলাগী ক্বালিটি অসি লৈখা তাখ্রনি হায়বসি তপ্না তপ্না রিএলাইজতৌরকখি। অদুনা য়াম্না সিরিয়স ওইবা লীলাগী স্ক্রিপ্ট/ৱারী অমদি লীলাগী মপুথোকলোমদা মায় কন্না ওনশিনবা হৌরকখি। লীলা অমদা ঈশৈ ময়াম অমা য়াওরম্বদু ঈশৈ অনীগুম্বা অহুমগুম্বদগী হেন্না হাপত্রে। হোয় লীলাগী মখল খরদবুদি ঈশৈ অহুম মরিগদি য়াওহল্লি।

মীয়ামগীসু খরা য়েংলগা, মমৈদদি লীলা য়েংলিবা মীয়ামসু ঈশৈসি কয়া পাম্লক্তবগী ফীভম অমা উবা ফংলকখি। লীলাদা ঈশৈ হেক শক্লকপদা ঙসাইখৈ ৱারী শানরমদবসু ৱারী শানবা হৌরক্লে, এঞ্জাং মথেল অহাওবা হাওতবা ৱারী শানরে। মায়কৈ-মায়কৈ খুদিংমকসি ঙরং-ঙরং নীনবা হৌনরকখি। অদুনা ঈশৈসি ময়েং য়াম্না তাহল্লে। অয়াওবা খরদু মশক থোকপা মতাং য়াম্না চাবা ঈশৈ অখন্নবা ওইনা হাপ্লে। মসিদদি ওদিএন্সশিংসু অদুম এক্সেপ্ট তৌই। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৫৫

উসম ধনঞ্জয়

**দিসেম্বর ১৬, ২০০৯ :** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ বজার থৌদোক অদুগী চপ চাবা লংলা-লংজিন পুথোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্লা শেমখিবা ৱান মেন কম্মিসন ওফ ইনক্বারিগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা জষ্টিস পি জি অগরৱাল (রিটায়র্দ) মশানা ঙসি স্পোট ইনক্বারি চথুখ্রে।

টেহলকা মেগাজিন্দা ফোঙলকপা ফোটো অদু পুলিসনদি শেমজিন শাজিনবনি হায়জরবসু ইনক্বারিগী প্রিসাইদিং ওফিসর অগরৱালনদি মেগাজিন অদু থৌদোক অদুগী লীখুন পুথোক্লবা হোৎনবদা শীজিন্নবগা লোয়ননা ফোটো অদুদা য়াওরম্বা মীওই অমসু কম্মিসনগী মথংগী হিয়ারিংদা জবান পীরনবা কৌখৎখ্রে।

কম্মিসনগী মথংগী হিয়ারিং জন্যুৱারী ৪দা লেপখ্রে। নুমিৎ অদুদা টেহলকা মেগাজিনগী এগজিক্যুটিভ এদিটর সোমা চৌধুরি, গুৱাহাটিগী করেসপোন্দেন্ট টেরেসা রহমন অনীবু মশা লাক্তুনা জবান পীরনবা সমোন অমুক হন্না থানবা রাই তাখ্রে। লোয়ননা বি টি রোদতা লৈবা সনাপুক্কে রেষ্টুরেন্ট ফম্বা রামলাল সাইনি অমসুং বাবুলাল সাইনি মচিন মনাও অনীবুসু মথংগী হিয়ারিংদা জবান পীরনবা সমোন তৌবা হায়নসু লেপ্লখি। বাবুলালদি টেহলকা মেগাজিন্দা য়াওবা পুলিস কম্মান্দোশিংনা সঞ্জিৎকা খোঙনা ফার্মাসি তম্না চৎপা উৎপা ফোটো অদুগী বেকগ্রাউন্দা য়াওরম্বা উবদগী কনানো হংনরবা মতুংদা জষ্টিস অগরৱালনা সমোন থানবা খঙহনখিবনি।

থৌদোক থোকফম খ্বাইরম্বন্দ বজারদা চথুখিবা স্পোট ইনক্বারি অদুগী মমাঙদা হোটেল ইম্ফালদা চথুখিবা হিয়ারিংদা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল, থিয়াম সোভাচন্দ্র ৱাঙ্গোই থৌদাম লৈকায়না জবান পীখি।

জেমসকী জবান্দা নুমিৎ অদু মহাক্লা চুড়াচান্দপুরগী কেম্পসতগী ময়ূমদা শেল থিন্নবা বস তোংদুনা লাকপনি। চাউরাক্লা অয়ূক্কী পুং ১০ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা থুংখি। ধর্ম্মসলাগী হৈ য়োনফমদগী হৈনৌ খরা লৈরুরগা ফেমিলি ৱেলফ্যের লাইন্দগী বি টি রোদকী নোংচুপ তম্না খোঙনা লাকখি। মদুদা মোটোর সাইকল তোংবা হেলমেট উপ্পা অমনা খরা লাপ্লপ্না কৌরকপা তাখি। য়েংথোক্লুবদা জেমস ওইরম্বদগী ঙাইহাক নোক্লদুনা লৈ।

মহাক্লা মখা তানা হায়, তাঞ্জা অদুদা নোংমৈ মখোল খরা তাখি। ময়াম পাকথনৈ। মহাকসু পাকথৈ। নুপী খরনা হোটেললোমদা অশোকপা পুখৎলো হায়বা তাখি। মদু তাবদগী মহাক্লা য়েংথোক্লুবদা লুখোই নোংমৈনা পানবদগী ঈ তারগা লৈরম্বা থেংনখি। মদুদগী লুখোইগী হেলমেট অদু মহাক মশানা লৌথোকপগা লোয়ননা মফম অদুদা লাকপা ভেন অমদা রিমস হোস্পিটাল তম্না পুখৎখি। লোয়ননা ঙাইহাক লৈরগা অদুম পুথরে হায়খি। অদুমকপু মহাক্লা তাখিবা নোংমৈগী খোঞ্জেল অদু নোংমৈ অচৌবগীরা নৎত্রগা মচাগীরা হায়বদুদি করিমত্তা খঙহৌদ্রে হায়না জেমসনা খুমখি।

হিয়ারিং অদু চথবা লোইরবা মতুংদা ইনক্বারি অদুগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা জষ্টিস (রিটায়র্দ) পি জি অগরৱাল মশানা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা অদুৱাইদা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা চত্তুনা স্পোট ইনক্বারি চথুখি।

খ্বাইরম্বন্দ বজার হেক য়ৌবগা অগরৱালনা রবিনা শিরগা তাফম, সঞ্জিৎপু পুলিস কম্মান্দোশিংনা চিংশিল্লগা কাপ্তুনা হাৎলি হায়রিবা ঘড়ী শেমফমগী গোদাউন্নচিংবদা চঙদুনা য়েংশিনখি।

ঘড়ী শেম্ফম দুকান অমসুং মাইমু ফার্মাসিগী মপু অনীদা অগরৱালনা মখোয়গী দুকানগী চফফম অদুদা মী চঙখিবা উব্রা হংবদা মখোয়দি তাঞ্জা অদুদা পাকথদুনা লৈহৌবনা করিমত্তা খঙহৌদ্রে হায়না খুমখি। মদু তাবদা অগরৱাল ঙাইহাক খঞ্জানখি। অদুবু করিমত্তদি হায়খিদে। স্পোট ইনক্বারি অদুদা কম্মিসনগী সেক্রেটরি পি কে ঝাসু য়াওখি। মদুগী মতুংদা মাইমু ফার্মাসিগা ইরাপ লাপ্নদনা লৈবা সনাপুক্কে রেষ্টুরেন্ট ফম্বা রামলাল সাইনি অমসুং মনাওনুপা বাবুলাল সাইনি অনীবুসু মথংগী হিয়ারিংদা জবান পীরনবা খঙহনখি।

টেহলকাগী এদিটর তরুন জে টেজপালগী খূথাংদা সোমা চৌধুরি অমসুং তেরেসা রেহমন অনীদা সমোন থাখিবনি। অদুমকপু পাউখুম লাক্তবদগী ওফিসকী খূথাংদা নৌনা সমোন থানবা লেপ্লখিবনি। শোকপদগী এইমসতা লায়েংলিবা গোলমৈ মঙালগী ওইনদি ত্রিটমেন্ট লোইরবা মতমদা ওইনা কম্মিসন্দা কৌগনি হায়না অগরৱালনা ফোঙদোকখি।

**দিসেম্বর ১৬, ২০০৯ :** গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিগী লো ফেকলতিগী দিন অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী হেদ ওইরম্বা প্রোফেসর নাওরেম সনাজাওবনা মনুং মতম চাদনা নুংশিরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং কয়াবু থাদোক্লুম্লগা তাইবঙপাল থাদোক্তুনা চৎখিবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ প্রিপাক (পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক) না থম্মোয় শোক্লা অৱাবা পোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাংশিংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

লালহৌলূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ অহৈবা অঙোম্না ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা, লৈখিদ্রবা প্রোফেসর ডা. নাওরেম সনাজাওবনা তাইবঙ মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা প্রিপাক্লা থৌনিজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক্কীদা নত্তনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈননা প্রোফেসর দা. এন সনাজাওবনা মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা থৱায় হকচাং য়াওনা থবক থৌরম কয়া তৌরকখি। মহাক গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিদা দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী হেদ ওইবতা নত্তনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফেকলটি ওফ লোগী দিনসু টর্ম মরিরক ওইরকখ্রবা মায় পাক্লবা মীশক অমনি। অসিদসু নত্তনা মহাক দেল্লী য়ুনিভর্সিটি সেন্ট্রেল কম্মিটি অমসুং মিজোরাম য়ুনিভর্সিটি এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলদা প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী নোমিনিসু ওইরমখিবা মীশকনি। মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা নমথবীরবা মীয়াম অমদি মীওইবগী রাইটকী মরী লৈননা অৱাং নোংপোক লমদমগী তোঙান তোঙানবা হ্যুমেন রাইটসকী এন জি ওশিংগা খূৎশম্নদুনা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরম কয়া তৌরম্বদা নত্তনা মীওইবগী রাইট কন্নবা মীয়ামদা পাউজেল কয়াসু পীবিরকখিবা শক্লাইরবা অমনি। নমথবীরবা মীয়ামগী রাইট ফংনবা হোৎনবীরম্বা লময়ানবা অসিনা মীওইবগী রাইটকী মতাংদা লাইরিক কয়াসু ফোঙদুনা মীয়ামদা লৌশিং কয়া পীবিরমখি। মীওইবগী রাইটকী মতাংদা শিংথাবদা লোইবা নাইররোইদবা থবক থৌরম কয়া তৌবিরম্বা প্রোফেসর দা. নাওরেম সনাজাওবনা পামজরম্বা লম্বীদা মীয়াম পূন্না চৎমিন্নদুনা মীওইবগী রাইট কন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়না অহৈবা অঙোমগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**দিসেম্বর ১৬, ২০০৯ :** প্রোফেসর নাওরেম সনাজাওবনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ, কে সী পি (কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি) না থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লালহৌলূপ অসিগী চীফ ফন্দ রাইজর কম সেক্রেটরি দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স ইন-চার্জ রেভল্যুসনরি গভর্ণমেন্ট ওফ কংলৈপাক, তাবুংবা মৈতৈগী চেরোল অমনা লৈখিদ্রবা প্রোফেসর সনাজাওবা লমদমসিগী মীয়াম্বু পন্থুংফম মায়কৈ তাকপীরম্বা, লৌশিংগী মৈরানি হায়না শিংথারি। লোয়ননা কে সী পিনা মর্জর এগ্রিমেন্ট মশক খঙদে, চৎনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা মাস সিগ্নেচর কেম্প্যেন পাঙথোক্তুনা য়ু এন ওদা তকশিনবদা মীয়ামম্নসু মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্করি।

**দিসেম্বর ১৬, ২০০৯ :** গৌহাটি য়ুনিভর্সিটিদা লো ফেকলটিগী দিন ওইরম্বা প্রোফেসর নাওরেম সনাজাওবনা থাসিগী ১৩দা মশাগী অনাবা অমদগী মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা পল্ফ (পিপলস য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট) কী মেম্বর খুদিংমক্লা মিনট অনী তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্রোফেসর অসিগী শেংলবা অত্মানা ঈংনা চিক্লা মপুগী মফমদা লৈরুনবা দুৱা তৌখ্রে হায়না আইন্না য়াদবা লালহৌলূপ অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সেল রমজান অলমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবা প্রোফেসর সনাজাওবা মণিপুরগীদমক্তদি অমত্তা ঙাইরবা অরংবা থৱান্মীচাক অমগুম্বনি, মণিপুরগী মনি অমনি হায়না লূপকী চ্যেরমেন অরাফট অজাদনা ফোঙদোকখি। চ্যেরমেননা মখা তানা, প্রোফেসর সনাজাওবনা লমদম অসিগী হীরম খুদিংদা শোথরিবা অসি মালেমগী থাক্তা পুথোক্তুনা খঙহন্নবা অমদি অৱাৎপা খুদিংমক মেনখৎনবা হোৎনরম্বশিং শীংথাবদা লোইবা নাইররোই। অৱাৎপনা থল্লবা লমদম অসিদা চরাংনবগী মৈশা মরক্তা ওজা অসিনা অখাঙ কনবগা লোয়ননা অৱা অনা খাঙদুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্দুনা চাওখৎপা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনরম্বা লীক্লম অদু ঐখোয়না কাউফম থোক্তে হায়রি। ওজানা হিংলিঙৈ মতমদা মঙজরম্বা অপূনবা মণিপুর, মীপান তাংদবা, মীখা পোন্দবা, মতিং লৈবা মণিপুরী হায়বদু হিংহৌরিবা ঐখোয়না পাঙথোক্লসি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

**দিসেম্বর ১৬, ২০০৯ :** চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী মীয়াম্না য়াদ্রে হায়বসি এ সীগী লুচিংবশিংদা হন্দক্কী মীখল অসিনা খঙহন্দুনা পারা অমা তম্বীরসি হায়না এক্স চীফ মিনিষ্টর আর কে দরেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

য়াইস্কুল এ সীগী মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা ঙসি মোইরাংখোমদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদা পাউমীশিংগা উনবদা আর কে দরেন্দ্রনা হায়খি, মীখল অসি পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ওপোজিসন্দা লৈরিবা পার্টিশিংনা করম্বা মীওই থাদোক্কদগে হায়বগী মতাংদা কূপ্না খন্নখি। মদুদা কোংগ্রেসকা লম্বা তৌনবদা মতিক চারবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ জয়দেব থোক্লকখিবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।